

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, MAY 01, 2019 PAGE 7




*খোঙনিং শোকপনা মরম ওইরগা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ শরুক য়াবা ঙম্লোইদবগী ফিভমদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী জেবলিন ষ্টার নিরজ চোপ্রা*

*মে ১০ দগী শান্নবা হৌগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান টুরগী ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা অমুক হন্না শরুক য়াখ্রবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা দ্রেগ ফ্লিক্কর রুপিন্দর পাল সিংহ*

## সিন্ধু, সাইনা অমদি স্রিকান্থনা সুদিরমান কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংলগনি



*হায়দরবাদ, এপ্রিল ৩০ঃ*

চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা নাম্নীংদা মে থাগী ১৯ দগী হৌগদৌরিবা সুদিরমান কপ মিক্স টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম পি ভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱাল, অমদি কিদম্বী স্রিকান্থনা লুচিংলগনি।

ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন টিম মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। সুদিরমান কপ্তা ইন্দিয়া ৮শুবা সিদেদ ওইরি। ইন্দিয়ানা গ্রুপ 'দি' দা চাইনা অমদি মালেসিয়াগা তামিন্নরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌনবগীদমক ইন্দিয়াগী টিম্না টোপ টুগী মনুং চনবা মথৌ তারি। সুদিরমান কপ অসি চহী ২ / ২ লৈরগা পাঙথোকপনি। চাইনা, ইন্দোনেসিয়া অমদি সাউথ কোরিয়ানা হৌজিক ফাওবদা দোমিনেট তৌদুনা লাক্লি। টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারীদা ইন্দিয়াগী টিম সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা সুদিরমান কপ মিক্স টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়ন অসিদা হান্না লৈখিবা পার্ফোমেন্সতগী হেন্না ফজরকনি হায়না থাজরি।

সুদিরমান কপ মিক্স টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদবা বেদমিন্টন ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) না লাওথোকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি–

নুপাগী সিঙ্গলসতা কিদম্বী স্রিকান্থ অমদি সমির ভর্মানি, নুপীগী সিঙ্গলসতা পি ভি সিন্ধু অমদি সাইনা নেহৱাল, নুপীগী দবলসতা সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি–চিরাগ সেট্টি অমসুং মনু অত্রি–বি সুমিত রেদ্দি, নুপীগী দবলসতা আশ্বিনি পোন্নাপ্পা–এন সিক্কি রেদ্দি অমসুং এস পুরভিসা রাম–মেঘানা জাক্কম্পুদি, মিক্স দবলসতা প্রনভ জেরি চোপ্রা–সিক্কি, আশ্বিনি–সাটৱিক সাইরাজনি।

মমাঙদা নুপাগী সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বা চাইনাগী লি চোং ৱৈ শরুক য়ারোইদবা অসিনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংদা অহেনবা ইনোৎ অমা পীরগনি।

## ৱিমব্লেদনগী মনা চাদা ১১.৮ হেনগৎখ্রে

*লন্দন, এপ্রিল ৩০ঃ*

মালেমগী লৈবাকশিংদা পাঙথোকপা টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা অমা ওইরিবা ৱিমব্লেদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী শেলগী মনা চাদা ১১.৮ হেনগৎখ্রে হায়না ওল ইংলেন্দ ক্লবনা ঙসি লাওথোকখ্রে।

ৱিমব্লেদনগী মমাঙদা লৈরম্বা মনা অসি য়ু এস দোল্লর ৪৪ নি। হান্না লৈরম্বা মনা অসিদগী চাদা ১১.৮ হেনগৎলগা য়ু এস দোল্লর ৪৯ ওইখিবনি।

নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়নশিংনা ২.৩৫ মিলিয়ন পাউন্দ ফংলগনি। মনা অসি কুমজা ২০১৮ দা লৈখিবা অদুদগী ১০০,০০০ হেনখি।

ক্বালিফায়িং রাউন্দ শান্নবা অমদি অহানবা রাউন্দদগী অহুমশুবা রাউন্দ ফাওবগী মনুংদা মায়থিহৌরবা শান্নরোইশিংনা চাদা ১০ হেনগৎতুনা ৪৫,০০০ পাউন্দ ফংলগনি।

ৱিমব্লেদনগী হন্দক্কী সিজন অসিদা সোট ক্লোক উবা ফংলোইদৌরি। অদুবু কুমজা ২০২০ ইদিসনদদি অমুক শীজিন্নগনি হায়না ক্লবকী সি ই ও রিচার্ড লেৱিসনা ফোঙদোকখি। ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ন্সিপ অসি জুলাই থাগী ১ দগী শান্নবা হৌরগনি।

## নুপা বোক্সর অমিত পাঙ্গাল বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা আর্জুনা এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩০ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর অমিত পাঙ্গাল বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) না আর্জুনা এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে।

অমিত পাঙ্গালনা মমাঙ চহীদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসকী বোক্সিং দিসিপ্লিনগী কেজি ৪৯ গী লাইট ফ্লাইৱেঠ কেটেগোরিগী ফাইনেলদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন উজবেকিষ্টানবু মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌখি।



মমাঙ চহীদসু অমিত পাঙ্গাল লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংদা পীবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা মনা আর্জুনা এৱার্দকীদমক বি এফ আইনা রিকমেন্দ তৌখি। অদুবু মনা অদু মহাক ফংহৌখিদে।

নীংশিংবা য়াই অমিত পাঙ্গাল কুমজা ২০১২ দা দা দোপ টেষ্ট ফেল ওইবদগী মশান্না অসিদগী চহী অমা অথিংবা থমখিবনি।

অমিত পাঙ্গালনা হৌখিবা সিজনদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবা অসিনা চহী অসিগী আর্জুনা এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখিবনি হায়না বি এফ আইগী প্রসিদেন্ট অজয় সিং হনা ফোঙদোকখি।

অমিত পাঙ্গাল চিকন পোক্পনা নাবদগী শোয়দুনা এনাবোলিক ষ্টেরোইদ শীজিন্নরুবদগী টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরুরবা মতুং মহাক্কী ৱেঠ অদু কেজি ৩ হেগৎলগা কেজি ৫২দা শান্নরি।

অমিত পাঙ্গালনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না মনা অসি হন্দক্তি শোয়দনা ফংবগী খুদোংচাবা লৈরে, অদুবু করি ওইরকপগে হায়বদুদি য়েংবা তারি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কুমজা ২০১৭ দা জর্মনিনা য়ুম্বু ওইরগা হেমবর্গতা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা অমিত পাঙ্গাল খক্তমক ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী মনুংদা মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

নুপীগী এসিষ্টেন্ট কোচ সন্ধ্যা গুরুং অমদি হান্নগী ব্লুমেন চীফ কোচ সিভ সিংহবুনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা দ্রোনাচর্য এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা সুট্টর হিনা সিন্ধু অমদি অনকুর মিটালবু সুট্টিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা রজিব গান্ধী খেল রত্ন এৱাদকীদমক রিকমেন্দ তৌখ্রে।

মশাগী চহী ২৯শুরবী হিনা সিন্ধু ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ, কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস, কম্মনৱেল্‌ঠ অমদি এসিয়ান গেমসদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি। অনকুর মিটালনা কুমজা ২০১৭ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপকী সোট গনদা গোল্ড অমসুং সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি।

সুট্টরগী কাঙলূপ্তা অঞ্জুম মোদগিল (রাইফল), সাহজার রিজভি (পিষ্টোল) অমদি ওম প্রকাস মিথরবালদা সুট্টিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা আর্জুনা এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখি। মিথরবাল সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অঞ্জুম মোদগিলনা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিলভর মেডল ফংদুনা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। সাহজার রিজভিনা বৈজিং অমদি ম্যুনিকতা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপশিংদা গোল্ড অমদি সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি।

জসপাল রানা অমদি রোনাক পন্দিতনা দ্রোনাচার্য এৱার্দকীদমক বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা রিকমেন্দ তৌখি।

## ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ৪৮শুবা মেটচতা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু রন ৪৫ দা থোইখ্রে



*হায়দরবাদ, এপ্রিল ৩০ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৪৮শুবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু রন ৪৫ দা থোইখ্রে।

৪৮শুবা লীগ মেটচ অসিগী টোস কিংস এলভেন পঞ্জাবনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। সনরাইজর্স হায়দরবাদনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২১২ লৌবা ঙমখি।

দেবিদ ৱার্নর অমদি রিদ্দিমান সাহানা হায়দরবাদকী ইন্নিংস হৌদোরকখি। মখোয় অনীনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৭৮ লৌখি। রিদ্দিমান সাহ বোল ১৩ মায়োক্লবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৩শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা মনিস পান্দেসু বোল ২৫ মায়োক্লবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩৬ লৌরমখি। ওপনর দেবিদ ৱার্নরনা কিংস এলভেন পঞ্জাবকী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্লুবা ঙমদুনা বোল ৫৬ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৮১ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

টিম অসিগী কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসন বোল ৭ মায়োক্লবদা রন ১৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন মোহমদ নাবীসু টিম অসিগী অপুনবা স্কোরদা রন ২০ হাপচিল্লমখি। ৭শুবা বেটসমেন ভিজয় সঙ্কর অমদি ৮শুবা বেটসমেন অভিসেক শর্ম্মনা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ৭ অমদি ৫ লৌরম্বা অসিনা সনরাইজর্সকী অপুনবা স্কোর অদু ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২১২ লৌবা ঙমখি।

কিংস এলভেন পঞ্জাবগী বোল্লিংদা মোহমদ সামী অমদি রবিচন্দ্রন আস্বিননা সনরাইজর্স হায়দরবাদকী বেটসমেন ২ / ২ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

মায় পাক্লবগী রন ২১৩ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৬৭ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু সনরাইজর্স হায়দরবাদনা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু রন ৪৫ দা মায়থিবা পীরমখি।

কিংস এলভেন পঞ্জাবকী ওপনর খৃস গেল শুন্যগী রন ৪ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। অনীশুবা বেটসমেন মায়াঙ্ক অগরৱাল অমদি ওপনর লোকেস রাহুলনা ইন্নিংস শেমগৎতুনা রন ৫০ লাম্থোকহনবা ঙমখি। অগরৱাল বোল ১৮ মায়োক্লুবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইখিবা নিকোলাস পুরানসু বোল ১০ দা রন ২১ লৌরমখি। কেপ্টেন রবিচন্দ্রন আস্বিন রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি। ওপনর ওইখিবা লোকেস রাহুলনা বোল ৫৬ মায়োক্লুবদা সিক্স ৫ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৭৯ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স ওইখি।

৭শুবা বেটসমেন সিমরন সিংহনা রন ১৬ লৌরম্বা অসি নত্তনা মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেনশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু সনরাইজর্স হায়দরবাদনা রন ৪৫ দা থোইখি।

সনরাইজর্স হায়দরবাদকী বোল্লিংদা খালিল অহমদ অমদি রাসিদ খাননা কিংস এলভেন পঞ্জাবগী বেটসমেন ৩ / ৩ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

### ক্রোসৱার্দ ১৪৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | O | M | B | | A | C | E | D | | O | P | T | E | D |
| E | V | E | R | | L | O | V | E | | N | A | I | V | E |
| T | A | L | E | | A | H | E | M | | O | L | D | I | E |
| A | L | D | E | R | M | E | N | | | | E | E | L | S |
| | | | D | O | O | R | | A | B | U | T | | | |
| A | S | P | E | N | | E | S | S | E | N | T | I | A | L |
| C | H | E | R | | | | L | E | N | I | E | N | C | E |
| T | A | R | | F | A | R | E | A | S | T | | N | O | V |
| E | P | I | L | O | G | U | E | | | | H | E | R | E |
| D | E | L | A | R | E | N | T | A | | V | E | R | N | E |
| | | | T | E | D | S | | P | E | E | R | | | |
| S | A | G | E | | | | T | O | R | T | O | I | S | E |
| A | V | E | R | T | | P | O | L | O | | I | D | E | A |
| C | O | N | A | N | | T | O | L | D | | N | O | E | S |
| K | N | E | L | T | | A | L | O | E | | E | L | S | E |


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No.811/SDC/IW(C) dt. 29/04/2019

Shri Paonam Pradeep Singh S/o (Late) P. Ibochou Singh of Keishampat Thiyam Leikai

Petitioner

-Vs-

(Late) Irom Ningol Paonam Ongbi Manirei Devi W/o (L) Ibochou Singh of Keishampat Thiyam Leikai

O.P.Party

**NOTICE**

Imphal, the 29th April, 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Irom Ningol Paonam Ongbi Manirei Devi W/o (L) Ibochou Singh of Keishampat Thiyam Leikai গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল 85-Sagolband, অরিবা পাট্টা নম্বর 699, 2042 অনৌবা পাট্টা নং 1200/3983 দাগ নং 18029/18251 অমসুং এরিয়ানা 0.0055 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মচানুপাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

SL/4752(B)/1

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central


## ঝারখন্দ অমদি হিমাচল প্রদেশ ফাইনেল শান্নরগনি

*কোলহাপুর, এপ্রিল ৩০ঃ*

জুনিয়র্স গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা ঝারখন্দ অমদি হিমাচল প্রদেশনা শান্নরগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ঝারখন্দনা অহানবা মেটচতা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ২১–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ঝারখন্দনা মেটচ ৪ শান্নখিবদা অতোপ্পা টিমগী মায়োক্তা পাঞ্জল ৩৮ চনখ্রে। অতোপ্পা টিমগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙমদনা লাক্লি।

অমরোমদা হিমাচল প্রদেশনা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা হরিয়ানাবু মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। মেটচ অসিদা মিদফিল্ডর পুনমনা অরোইবা মিনটতা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা পাঞ্জল চনখিবা অদুনা মায় পাক্লুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ফাইনেল য়ৌখিবনি।

## ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর লক্ষ্য সেন ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী মেন দ্রো চঙখ্রে

*ওকলেন্দ, এপ্রিল ৩০ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর লক্ষ্য সেন ক্বালিফায়িং মেটচ মায় পাক্লুনা ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী মেন দ্রো চঙখ্রে।

লক্ষ্য সেননা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বালিফায়িং মেটচ অনীদা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম অমদি মালেসিয়াগী টেক ঝি সুবু মায়থিবা পীরম্লগা মেন দ্রো য়ৌবা ঙমখি।



লক্ষ্য সেননা ক্বালিফায়িং রাউন্দ অসিগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামবু ২১–১৮, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরমখি। অদুগা অনীশুবা মেটচতনা মালেসিয়াগী টেক ঝি সুবু মিনট ৩২ চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১১, ২১–১২ দা থোইরম্লগা ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মেন দ্রো য়ৌবা ঙমখি।

মশাগী চহী ১৭ শুরবা ইন্দিয়াগী সট্টলর লক্ষ্য সেননা ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই ৱাং ঝু ৱৈগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপা সট্টলর পরুপল্লি কাশ্যপ ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফায়িংগী রাউন্দগী অহানবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী পিটর য়ানগী মখূত্তা ৮–২১, ৯–২১ দা মায়থিহৌখি। অনীশুবা মেটচতনা চাইনাগী শান্নরোই সুন ফৈজিয়াংগী মখূত্তা ১৬–২১, ১৮–২১ দা মায়থিহৌবদগী মেন দ্রো য়ৌবা ঙমখিদে।

ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দোনেসিয়াগী সট্টলর এ এস গিন্টিংনা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরি। অদুগা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা অহানবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারি। ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াগনি।

## ইটালিগী সেরি এদা অটলান্টানা উদিনিসপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্স লীগকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে



*রোম, এপ্রিল ৩০ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা অটলান্টানা উদিনিসপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা অটলান্টা অমদি উদিনিস লম্বা তৌনখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা উদিনিসকী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীদুনা লাকখি।

শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা অটলান্টানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা মার্টেন দি রুননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মিনট ৩ লৈরগা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই মারিও পেসেলিকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমদুনা য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন্স লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ৩৪শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা সাসুলোনা ফিওরেন্টিনাবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরমখি।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী সাসুলোগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। মতম খরা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা সাসুলোগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা দোমেনিকো বেরার্দিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদা টিম অনীমক অমনা অমগী মায়োক্তা অকনবা এটেক তৌনদুনা লাকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু সাসুলোনা ফিওরেন্টিনাবু ১–০ দা থোইরমখি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রিয়েল বেটিস অমদি ইস্পানিওল পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবা শান্নরকখি।

মতম খরা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা ইস্পানিওলগী শান্নরোই সর্গি দারদারনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমদুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী অরোইবা মিনটতা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা রিয়েল বেটিসকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা জৌহের ফেদ্দালনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।